থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

সী এ বিদগী সী এ এ

Citizenship
Amendment Act

মতম খরগী (নুমিৎ খরগী) মমাং, দিসেম্বর ৯, ২০১৯ ফাওবা মণিপুরগী মীয়াম্বু খোইরাং খোইশাওনহল্লম্বা, লান মচা অমা মায়োক্নরগদবগুম শেম শাহল্লম্বা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) ঙসিদি প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রবনিনা এক্ট ওনখ্রে, লোওইরে। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) হায়রগনি। অসামগী মীয়াম্না মীশি-মীনা থোকপমখে মৈ হৌনা শাউরগা, মৈ হৌরম্বা মণিপুরনা থাজদনা পুমচিক চিকখরে, শাউরম্বদু ঈংখরে। করম্না ? অমসুং করিগী ? পুম্নমক খঙনরে। নৌনা অমুক ইজররোই। হান্নদগী তাল্লকপা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) সিষ্টেম মণিপুরদা চৎনরনি, অমিট শাহনা দিসেম্বর ১০ দা লাউথোরকপা ... আই এল পি চৎনবা মফমদা 'সী এ এ'না এফেক্ট তৌরোই হায়খিবদু লৈবননি। অরুনাচল, নাগালেন্দ, মিজোরামদদি ঈষ্টর্ন বেঙ্গল ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট, ১৮৭৩ (আই এল পি সিষ্টেম) হান্নদগী চৎনরকই। অসামগী মফম খরা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৬ শুবা সেদ্যুলনা কোনশিল্লি। অদুগুম্বা মফমদসু সী এ এগী প্রোবিজন অমত্তা চৎনরোই লাউথোকপদুনা অসাম অমসুং ত্রিপুরাগী মীয়াম্বুদি ইংথহনবা ঙমখিদে। মরম ? বিল অসি হৌদোক্তুনা অনৌবা লো শেম্নবা হোৎনরক্লিবা - অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা য়ুম্লোন্নবা বাংলাদেশতগী আইন্না য়াদবা মওংদা ঙমখৈ ৱাংমা লানশিল্লকখিবা মুস্লিম নত্তবা অতৈ লাইনিং চৎপশিং (হিন্দু, পার্সি, বুধিষ্ট, সিখ অমদি খৃষ্টিয়ন) বি জে পিগী ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্সকী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ন সিটিজনসিপ পীনবা পান্দমনি, মরু ওইনা বিলসিগী তেকচাক অসামদা নমশিন্নবা হোৎনবনি .. অসামিজশিংগী ৱাখলনি। 'ৱাখল অসি অরানবনি, বিলসিগী কান্নবা মীয়াম্না খঙবা ঙমদবনি' - বি জে পিগী অসামি-ফেস, খ্বাইদগী মরু ওইবা লুচিংবা 'হেমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা অসামিশিংবু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবা মায় পাকপা ঙমখিদে। হৌজিক্তি মহাক 'মহাক্কী প্রজাদা চঙজবনা খ্বাইদগী ফবা থৌশিল ওইগনি। মতাংসিদদি প্রজাশিংবু থেম্নবা হোৎনদবনা ফগনি।

অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা নত্তনা, অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদদি এক্ট অসিগী মায়োক্তা থোইনা কনবা ঈরাং থোক্লসু, হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সহরশিংদসু ঈরাং অসি শন্দোরক্লি। অচৌ-অচৌবা সহরশিংদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না লম্বী-লমজাও থোক্তুনা সিটিজনসিপ এক্টসিগী মায়োক্তা খোল্লাউ লাউবগী ফোটো অমদি ভিদিওশিং সোসল মিদিয়াদা চাইথোক্লরকপা থেংনরে। নেসনল ইশ্যু ওইরক্লে। নোংচুপ বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতানা এক্ট অসি মাগী ষ্টেটতা থবক শুকওন ওন্থোক্লোই, ইশ্যুসিদা থৱায় থারবসু থাগনি - নেসনল মেদিয়াদা লাউথোকখি। পঞ্জাব অমসুং কেরলানসু মখোয়গী ষ্টেটতা চৎনহল্লোই লাউথোকখি। কোংগ্রেস অমসুং মাগা মীচং ওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা ইশ্যু অসিদগী মেক্সিমম পোলিটিকেল এদভান্টেজ লৌননবা হোৎনরক্ননি। হৌনশানি। মদুমক্লি তৌরিবা। রুল্লিং পার্টিনা হায় - অনৌবা লো অসি 'মীরৈবাক্কী লম অহুমসিদা, অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমদি পাকিষ্টাননদা, মশানা চৎলুবা লাইনিং লম্বীদুনা মরম ওইদুনা মীওৎ-মীনৈ চথদুনা তাম্থোরক্লবা, ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদবা য়াদদুনা লৌখিবা মখোয়শিংগী য়েংদুনা শেমদ-য়াদ শেম্বনি'। আইননা য়াদবা মওংদা, উৎফম থোকপা শক্তাক চে য়াওদনা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা মীওই (ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট)শিংনি হায়বা ইল্লিগেসন অদুদগী ঙাকথোকচবা ঙম্নবনি। অদুসু দিসেম্বর ৩১, ২০১৪ ফাওবগী মমাংদা, হান্ননা চঙলক্তুনা লৈখ্রবা মীওই ওইগদবা। অদুসু মখোয় লমদমসিদা চহী তরুক লেংদনা লৈরক্লবা! হায়বদি, কুমজা ২০১৪ লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদা চঙহৌরবা হিন্দু, পার্সি, সিখ, বুধিষ্ট অমসুং খৃষ্টিয়ন পুম্নমক কুমজা ২০২০ দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা অশেংবা ইন্দিয়ন ওইরগনি হায়বনি। হৌজিক হৌজিকমক চৎনরিবা আইনসিগী মতুং ইন্নদি টাইম লিমিৎ অসি চহী তরামাথোইনি। ওপোজিসননা হংলি - করিগীদমক মুস্লিম খন্দোক্লন্নিবা, সিক্যুলর কন্স্তিনি হায়রগা? জাৎ-কুচু-ধর্ম্মগী খেন্নবা থমদনা ইন্দিয়ন খুদিংমক মান্নবা হক (ইক্বেল রাইট) ফংহনগনি - কন্সটিট্যুসন'না হায়বনি।

পার্লিয়ামেন্টতা বিল অসি খন্নবদা আমিট শাহনা হায়খি ... 'ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইদুনা হিন্দুষ্টান অমসুং পাকিষ্টান হায়দুনা ইন্দিয়া অনী খায়দোকপগী প্রোপোজেলদু মতমদুদা কোংগ্রেসনা য়ারমদ্রবদি ঙসি বিল অসিসু দরকার ওইরম্লোই'...। অদুবু ইন্দিয়ন হিষ্টরি নৈনবদা খঙই ঐখোয় ঈরায় লায়না - ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান - হিন্দু, মুস্লিম নেসন থিওরিদা শেমখিবা নত্তে। মোহম্মদ আল্লি জিন্নাহ'না পাকিষ্টানবু মুস্লিম নেসন অমা ওইনা শেমগৎলম্লগসু, ইন্দিয়াদি মতম চুপ্পদা সিক্যুলর-নেসন অমা ওইরকই। ধর্ম্ম মখল পুম্নমক্কী মীওইশিং পুন্না লৈমিন্নরকই, ইন্দিয়াদা লৈহৌবা মুস্লিম মশিংনা পাকিষ্টাননদা চৎখিবা মুস্লিম মশিংদগী হেল্লি। অদুগা, সী এ বিলগা পার্টিসনগী ৱারীগা শমজিন্ননা য়েংবা সুকয়া য়ারোই। মরমদি, সী এ বিলনা কোনশিল্লিবা অফঘানিষ্টান, বৃটিশ ইন্দিয়াগী শরুক অমা কৈদৌঙৈদা ওইখিদে।

অদুগা, অতৈ ষ্টেট পুম্নমক্তগী অসামনা ৱারৌবা খ্বাইদগী হেল্লিবগী মরমদি - এক্ট অসিনা কুমজা ১৯৮৫ গী অসাম একোর্দপু দষ্ট-বির্নদা লংথোকখ্রবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইহনগদৌরিবা অসিননি। ইল্লিগেল মাইগ্রেসনগী চৈনা খ্বাইদগী কন্না নংবা ষ্টেটতি, ইন্দিয়াগী অসাম মথন্তনি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

লায়না তিলনাশিংদগী ঙাকথোক্নবগীদমক ফাইবরগী চাং কয়া য়াম্না চাবা মথৌ তাবগে

ক্রোনিক দিজিজশিংদগী ঙাকথোক্নবগীদমক অমদি মনুং মতম চাদনা শিবগী থৌওং থোক্তনবগীদমক ঐখোয়না ফাইবরগী চাং কয়া য়াম্না চাবা মথৌ তাবগে হায়বগী মতাংদা থিদোক্লবা অনৌবা মেটা-এনালাইসিস অমনা চহী ৪০ রোম চঙনা চথখিবা রিসার্চ অমবু একজামিন তৌখ্রে।

রিসার্চরশিং অমদি পব্লিক হেল্থ ওর্গনাইজেসনশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ফাইবর চাবগী কান্নবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি, অদুবু হায়রিবা ফাইবর অসি চপ চানা কয়া য়াম্না চাগদগে হায়বসিদি ৱাহং অমা ওইরি।

ৱাহং অসিনা মরম ওইরগা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনদা অনৌবা ষ্টদি অমা তৌবগী তঙাইফদবদু লাক্লম্মী। হায়রিবা ষ্টদি অদুগী রিজল্ট লেন্সেট জর্নেলদা ফোঙলকখ্রে।

অনৌবা রিসার্চ অসিগী পান্দমদি দাইটরি ফাইবর চাবগী অনৌবা গাইদলাইন অমা শেমগৎনবা অমদি ঐখোয়গী হকচাংবু নোনকম্যুনিকেবল দিজিজশিংদগী ঙাকথোকপা অমদি হকচাংগী অৱাম্বা হেনগৎলকপা থিংবদা করম্বা কার্বোহাইদ্রেটনা খ্বাইদগী হেন্না কান্নবগে হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবনি।

নোনকম্যুনিকেবল দিজিজশিং অসিবু ক্রোনিক দিজিজ হায়রগসু খঙনৈ। মখোয় অসি মহৌশানা মতম কুইনা নাই অমদি তপ্না তপ্না অনাবদু হেঞ্জিল্লকই। দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুংইন্না নোনকম্যুনিকেবল দিজিজশিংগী মরুওইবা মখল মরি লৈ, মখোয়শিং অদুদি-কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ, কেন্সর, ক্রোনিক রেস্পিরেটরি দিজিজ অমদি দাইবেটিসনি।

নিউ জিলেন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওটাগোগী প্রোফেসর জিম মান্না ষ্টদি অসিগী কোরেস্পোন্দিং অথর অদুগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দ্যুনদিন স্কুল ওফ মেদিসিনগী পোষ্টদোক্টরেল রিসার্চ ফেল্লো অমা ওইরিবা এন্দ্রিয়ু রেনোল্ডসনা ফাষ্ট অথর ওইরি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা রিভিয়ুশিং অমদি মেটা-এনালাইসশিংদদি অকক্লবা লায়না মখল খরখক অমদি কার্বোহাইদ্রেট ক্বালিটি ইন্দিকেটর অমখক্তংদা একজামিন তৌবনি, অদুনা লায়না মখল কয়া অমদগী ঙাকথোক্নবগীদমক করম্বা চীঞ্জাক চাগদগে হায়বা লেপথোকপা হায়বসি ওইথোক্তবা ৱাফম অমা ওই হায়না প্রো. মান্না ষ্টদি অদুগী মরমদা ফোঙদোকখি।

ৱাফমশিং অসি থিদোক্নবগীদমক রিসার্চরশিং অদুনা ওবজর্বেসনেল ষ্টদিশিং অমদি ক্লিনিকেল ট্রাইয়লশিংগী মেটা-এনালাইসিস অমা তৌরম্মী।

রেনোল্ডস অমদি মখোয়গী খোঙলোয়শিংনা মীওই মিল্লিয়ন ১৩৫ য়াওবা ওবজার্বেসনেল ষ্টদি ১৮৫ অমদি পুন্না মীওই ৪৬০০ দা চথখিবা ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল ৫৮দা য়াওবা দেটা এগজামিন তৌখি।

ষ্টদিশিং এনালাইজ তৌবদু চহী ৪০ রোম চঙলম্মী।

সাইন্টিষ্টশিংনা অকক্লবা ক্রোনিক দিজিজ খরগী মরমদা অমদি লায়নাশিং অদুনা মরম ওইরগা মনুং-মতম চাদনা শিবগী চাংগী মরমদা থিজিনখি।

লায়নাশিং অদুদি- কোরোনরি হার্ট দিজিজ, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ, ষ্ট্রোক, টাইপ ২ দাইবেটিস, কোলোন কেন্সর অমদি হকচাং নোয়বগা মরী লৈননা ওইরকপা কেন্সর মখল খরা- খুদম ওইনা ব্রেষ্ট কেন্সর, ইন্দোমেট্রিএল কেন্সর, ইকোফেজিঅল কেন্সর অমদি প্রোষ্টেট কেন্সরনি।

রিছার্স অদুদগী খঙবা ঙমখি মদুদি, ফাইবরগী চাং হন্থনা চাবা মীওইশিংদগী ফাইবরগী চাং য়াম্না চাবা কাংবুনা মরম অমা হেক্তদগী নৎত্রগনা কার্দিওভাস্কুলর কন্দিসনশিংনা মরম ওইরগা মনুং-মতম চাদনা শীবা য়াবগী চাং অসি চাদা ১৫দগীনা চাদা ৩০ ফাওবগী চাংদা হন্থে।

ফাইবরগী চাং মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা মরম ওইরগা কোরোনরি হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক, টাইপ টু দাইবেটিস অমদি কোলোন কেন্সরনা নাবগী চাং চাদা ১৬-২৪ হন্থহল্লি।

ফাইবর মরাং কায়না য়াউবা চীঞ্জাকশিংদা হোল গ্রেনশিং, মনা-মশিং, উহৈ অমদি পল্সশিং খুদম ওইনা পি, বিন, লেন্টিলচিংবশিংনি।

হায়রিবা ক্রোনিক দিজিজশিং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক মীওই অমনা নোংমদা ফাইবর গ্রাম ২৫-২৯ চাবা মথৌ তাই হায়বসিসু এনালাইসিস অদুদগী খঙবা ঙমখি।

নোংমদা গ্রাম ২৯দগী হেন্না চাবনা হকশেলগী ওইবা কান্নবা অমুক্কা হেনা ফংই হায়নসু রিছার্সরশিংনা ফোঙদোক্লি।

অদুমকপু ষ্টদি অদুদদি ফাইবর চাবগী ফত্তবা মহৈ থেংনদ্রগসু, য়াম্না কা হেন্না চাশিল্লগদি আইরন নৎত্রগনা মিনরেলশিংগী চাং ৱাৎপা মীওইশিংদদি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা য়াই হায়না রিছার্সরশিং অদুনা চেকশিন ৱা থল্লি।

অরোইবা ওইনা ষ্টদি অদুদা য়াওখিবা ক্লিনিকেল ট্রাইয়লশিং অদুদগী খঙবা ঙমখি মদুদি, ফাইবরগী চাং য়াম্না চাবনা হকচাংগী অৱাম্বা হন্থহল্লি অমদি কোলেষ্টরোল লেবেলসু হন্থহল্লি।

ফাইন্দিংশিং অদুগী মরুওইবশিং অদু পল্লদুনা প্রো. মান্না হায়, ফাইবর মরাং কায়না য়াওবা, চাবা মতমদা শায়বা মথৌ তাবা অমদি চারিবা পোৎলমশিং অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং ইন্টেষ্টাইন য়ৌবা ঙম্বা চীঞ্জাকশিং অসিনা পূক থনবা ফাওবগী চাং হেনগৎহল্লি অমদি হকচাংগী অৱাম্বা কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই লোয়ননা লিপিদ অমদি গ্লুকোজ লেবেল ফনা থম্বদসু মতেং পাংই।

লার্জ ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা বেক্টরিয়ানা ফাইবরশিং কায়থহনবগী থৌওং অসিনসু কোলোরেক্টেল কেন্সর য়াওনা মখল কয়াগী খুদোংচাদবা কয়াদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই হায়নসু প্রো. জিম মান্না মখা তারি।

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মেদিকেল কেম্প, স্বাছতা পখ্বারা অমদি ক্লিনলিনেস দ্রাইভ চথদুনা লম-তূ শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৭ সেক্তর অসাম রাইফলসকী থিংঘাট বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৫ দা থিংঘাট সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা হৈজাং ভিলেজদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রেজিমেন্টেল মেদিকেল ওফিসর অমদি নর্সিং ষ্টাফশিংনা মেদিকেল চেক অপ পাঙথোকপগা লোয়ননা নুপীশিংগা মরী লৈনবা ইস্যু কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। মীওই ২৫০ রোম অনা-লায়েংখি। হৈজাং ভিলেজ অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা ভিলেজ কয়াগী মীয়ামগী অনা-লায়েংগী খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী ১৫ ফাওবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা স্বাছতা পখ্বারাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না চান্দেল টাউন অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লম-তূ শেংবগী থবক কয়া চথখি। অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল, পল্লেলগী মহৈরোয়শিংনসু লম-তূ শেংবগী থবক চথখি। চান্দেল খৃষ্টিয়ন ভিলেজদা দষ্টবিনসু য়েন্থোকখি। ইনভাইরনমেন্ট লূ-নান্না থম্নবা অমসুং মসিগী পাউজেল শন্দোক্লবা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী মোলতুক বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা বট্টালিয়ন অসিগী অকোয়বা মফম কয়াদা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হেল্দি ইনভাইরনমেন্টকী মরুওইবা কয়া অদু খঙহনবগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ক্লিন এন্দ হেল্দি ইনভাইরনমেন্ট হায়বা থীমদা ইন্টরেক্টিভ লেকচরসু পাঙথোকখি। বট্টালিয়ননগী অকোয়বা মফম কয়াদা লম-তূ শিৎ-শেংখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকায়দা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্যের এন্দ স্যের ফাউন্দেসন, ৱাঙ্গোইগা খুৎশম্নদুনা ৱিন্টর ক্রোপ অন্দর দব্লিং ফার্মর হায়বা থীম মখাদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমদি ইনপুট দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরম অমা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্র।

ৱাঙ্গোই অমদি লাইফ্রাকপম ভিলেজগী লৌমীশিং য়াওবা থৌরম অদুদা আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজনগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. এন প্রকাস, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি সীদ টেক্নোলোজি আই সী এ আর মণিপুর সেন্টর ডা. আই মেঘচন্দ্র অমদি কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর কে ঐচ হেরানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লৌমীশিংদা মরু-মরাং, স্পেয়র, চেঙ্গুমগী স্পোন কয়া য়েন্থোকখি। নুপী লৌমী কয়াসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি। ইনোগুরেল ফঙ্কসন মতুংদা টেক্নিকেল সেসনসু পাঙথোকখি। এস এম এস প্লান্ট ব্রীদিং এস গুনমনি, এস এম এস এগ্রোনোমি ডা. লিদিয়া অমদি এস এম এস হোর্টিকলচর কে লিলিনা ৱা ঙাংখি।

মীয়াম মমাঙদা উৎ চাইবনি : অখেল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): আইমোল, কোম, কোইরেং, চিরু হায়রিবা ফুরুপশিং অসি মণিপুরগী মাইনোরিটি ওইনা লৈবনি। মীওই খরনা কোমরেনগী মিংদা ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ট্রাইবশিংগী অয়াবা য়াওদনা তৌরিবসি মীয়াম মমাঙদা উৎ চাইবনি হায়না আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ননগী প্রসিদেন্ট আর টি অখেল আইমোলনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা অখেল আইমোলন হায়খি, কোমরেনগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবা অসি মীয়াম মমাঙদা উৎ চাইবনি। ইশা-ইশাগী ট্রাইবকী প্রসিদেন্ট লৈ। কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্টনসু অয়াবা পীদুনা লেট্টর হেদ পীরকপা লৈ। কোমরেন হায়বসি হৌজিক্তি লৈত্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোম য়ুনিয়ননগী প্রসিদেন্ট কাইকেম কোমনা ফোঙদোকখিবদা, কোম, চিরু, কোইরেং, আইমোল, খারম, পুরুম হায়রিবা তরুক অসি কুমজা ১৯৫৬ তা কোমরেন য়ুনিয়ন হায়না লৈরম্মী। চহী ৫০ রোম য়ৌরকখ্রে। হৌজিক্তি মশা-মশাগী ট্রাইবকী মিংদা ওর্গনাইজেসন শেমখ্রে। কোমরেন য়ুনিয়ন হায়রিবসি লৈত্রে। ট্রাইব তরুক অসি কোমরেন য়ুনিয়ননগী মখাদা লৈত্রে। ট্রাইব তরুক অসিগী মশা-মশাগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি ৱিমেন এসোসিএসনশিং লৈরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী মখাদা পহেচান কার্দ এক্সিবিসন তৌবা অমদি য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা এম এল এ সুসিন্দ্রোগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পি লৈঙাক্না তৌরিবা থবকশিং অসি পিপল ওরেন্টেদ ঙাক্তনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা থবক তৌনবা কাবক্লিবনি। মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। কার্দ অসিনা খরদা ওইরবসু সবসিদি পীবা অসিনা মীয়ামদা কান্নহল্লগনি। মণিপুর লৈঙাক্না অফবা থবক তৌরকপা খুদিংমক ফত্তবা ওইনা উহন্নবা তৌরিবশিং অসি লাইবক থীবনি। মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা আই এল পি বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা পীরক্লে। মণিপুর মীয়ামগীদমক থবক কনানা তৌরিবগে হায়বা য়েংবীয়ু। পহেচান কার্দনা পীগদৌরিবসি পাসবুক অমা পীরগা খুদোংচাবা কয়া লাক্কদৌরিবনি। কার্দ অসি খুরাই এ সীগী নুপী লিশিং ২ রোমদা য়েন্থোক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লাইশ্রম লৈকায় জি পিগী প্রধান এন জি জোন, কোন্সম লৈকায় জি পিগী প্রধান রাজেন, কংলা জি পিগী প্রধান গোপাল, মেম্বর সুনিল, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর বিমোল, কোন্সম লৈকায় জি পিগী মেম্বর লক্ষ্মীবাই, টি ঐচ অনিতা, কে ভিক্টোরিয়া অমদি খাইদেম লৈকায় জি পিগী মেম্বর দরেন্দ্রজিৎসু দেজদা ফমখি।

A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
BE DIFFERENT
BE ECO RIDER
JOIN THE GREEN
MANIPUR CAMPAIGN
RECYCLE
BRING YOUR
OLD VEHICLE
AND RIDE
HOME BACK
WITH AN
E-SCOOTER
FESTIVE
EXCHANGE
BONANZA
TILL 31ST DEC 2019
UPTO
INR 8000
OFF
Own Brand New
Electric-Scooter
WHY E-Vehicle?
>No Petrol
>No Pollution
>Low Maintenance
>Low Operational Cost
>No Noise
Kwaikethel Ningthemkol +91-7085040962 | Sekmai Koujenleima Leikai +9-6909832745
Thoubal Athokpam +91-6009402934 | Moirang Patlou Leikai +91-6009073738
HL-B/5894/17to18 jan

নমশিন্দুনা থম্বীরে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা শিন্নমীশিংদা এদভান্স তোলোপ পীরবসু রেগ্যুলর ওইনা খনখ্রবা এস এস এ অমদি রমসাগী ওজাশিংগী শরুক য়াওদনা লাক্লি। ইমপ্লোয়ীশিং অসি নমশিন্দুনা থম্বীরি হায়না জোইন্ট এস এস এ এন্দ রমসা টিচরস এসোসিএসন মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম প্রকাসনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা প্রকাসনা হায়খি, খৃষ্টমাসকী খুদোল ওইনা এস এস এ অমদি রমসাগী ওজাশিংগী থা ৫/৬ পীথোক্তনা লৈরিবা তোলোপ অসি পীথোকপীয়ু। চীফ মিনিষ্টরনা মীদিয়াগী খুথাংদা এবজোর্ব তৌরনি হায়না লাউথোকখিবা অমদি থাজবা পীখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। কন্ট্রেক্ততা লৌখিবা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিং এবজোর্বসন তৌখিবগুম ঐখোয়সু তৌবীয়ু। প্রাইমারী ওজাশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্ট ফোঙবদা এস এস এগী ওজাশিং য়াওরক্তে। গ্রেজুয়েট ওজাশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্ট ফোঙবদসু হাপ্লক্তবা অসি য়ানিংদে। ওজাশিংবু খোঙজং চঙশিন্নবা ইহুল পীবগুম থোকহল্লে। মণিপুরগী মহৈ-মশিনগী হীরমবু চাউখৎপা পুরক্লবা পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনদা চাদা ৫০ হেন্না শরুক য়ারিবা অমদি এদ্যুকেসনবু অহোংবা পুরকপদা য়াংলেন শরূ ওইরিবা এস এস এ অমদি রমসাগী ওজাশিংবু পুক্নিং চঙবীয়ু। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না হায়দোকখিবা ঙাকপা অমদি থবক্তা ওন্থোকপা অসিগী থাজবা কয়া অদু অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অহল ৮০০ দা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোক্কখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): সগোলবন্দ কনষ্টিট্যুএন্সি প্রোগ্রেসিভ কন্মিটিনা শীন্দুনা অহল ওইরবী নুপী ৮০০ দা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি সগোলবন্দদা লৈবা এম এল এ, আর কে ইমোগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়খি, সগোলবন্দগী লৈকায়-লৈকায়শিংদগী অহল ওইরবী নুপী খনগৎলগা পুন্না অহল ৮০০ লোমদা অনৌবা চহীনা লাকপদা ৱারী-ৱাতাই শানবগা লোয়ননা পাউতাক লৌদুনা অহলশিংদা খুদোল তম্নবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মমাঙদসু অহলশিংগী ওইবা থৌরম পাঙথোকখ্রে। মসি ইমা-ইবেলশিংগী ওইনা পাঙথোকপনি। এ সী অসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অহল ওইরবী কয়ানা শরুক য়ারি। অহলশিংদগী থৌজাল নীজবা অমসুনি। এ সী অসিদা চাউখৎ-থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলে। হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লীদা আই এল পিগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন লৈ। হৌজিক কনফ্যুজন লৈবা কয়া অমসু লৈরি। পিছ টোক্কী মতাংদসু ইস্যু লৈরি। এ সী অসিগী অহলশিংদগী থৌজাল লৌবগা লোয়ননা অফবা খুন্নাই পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।১২।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা,
পোইনুগী ২২ নি পানবা।

মেষ : লাই-গুরুনা চানগনি, লৌশিং চাওবনা মীংচৎ তানবসু লায়না ঙমগনি, মীয়ামগী মতেংনা পাংঙমদবা থবক পাংগনি অমদি নুংঙাইবা পাউসু তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎকনি অমদি য়েক্লববু লায়না খুদুম চনবা ঙমজগনি। অদুবু খন্থদবনা অমদি নাপলনা য়েক্লহনগনি, লৈঙাক্কী লম্দা নোল্লুক্কা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - অফ-ফত্তা য়ান্নৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন : ঙসিসু ওইজ-ওইথক ফংগনি অমদি মীংচৎ উরোং ফংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। থৌনা লিংজেল ফুদোকপদি মতাং চাদে অদুনা মতম ঙাইয়ু, নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : য়েৎনবগী মরমদদি লায়না মায় পাক্ক নি অমদি ইমুং-মনুং পুন্না পাংবা থৌরমশিংসু মহয় য়ানগনি। ৱানা হোৎনজবগী মহয়না অঙম্বগী মতেং খরা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ : ঙসিসু হরাওবা নুংঙাইবা অমদি পাংঙমদ্রবা অফবা থবক পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। অদুনা মতম মাঙহন্দনা অমদি চিংনবা তৌদনা মাংলোমদা চংশিনলো।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : অশাওবা অমদি নাপল থাদোকউ নত্রদি নকন্থিনা নরল মাঙহনবা অমদি মরুপ মপাংগা মুক্লবা লৈগনি। মহৌশাদগী পাংলকপা থবক্তি পাংবা কাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্লিং ফাথৌ, মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : শেল ফংগনি, থবক পাংগনি অমদি নীংবা থুংগনি। মরুপ অমদি ননাই ফংগনি। অদুবু চিন শোইরগা নরল তিংবা অমদি ইকায়-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : মীচং য়াম্বনা নীংজবা অফবা থবক পাংবা ঙমগনি অমদি ফংঙমদ্রবা লন তানশিনবা ঙমগনি। য়েৎনবা খরা চেল্লসু অথোইবা লৌশিংনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপ থাজবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : মীয়াম্না থোইনা তেংবাংবীবা অমদি শৃজ-নোমজবদগী চাওনা কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। লাই গুরুনা চানবীবা ৱাৎলি অদুনা নাপল থাদোকউ, হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : পন্দুনা লৈরুবা লন ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি য়েক্লবু লাকশিন্দুনা মীংচৎতুম তানশিনবা ঙম্লগনি। পুক্লিংদি ফাথবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা তৌবা য়াদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ব : নীংজবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্কী লম্দা ঙসিসু শোইদনা মাঙজিল থাগনি, পোরম য়াৎপা হৈবনা অরুবা থবকসু পাংগনি। লৌশিং চাওবগী ৱাদি তাও।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

মিন : মীৱাবু লৌদ্রবা অমদি চিঞ্জাকপু কামদ্রবদি শোইদনা অয়াম্বা থবক্তা মায় পাক্কনি। মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইবা অমদি লন ফংজগনি। হুরানবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।